# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ১১ শুবা ভেটেরান ক্রিকেটকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হৌখিবা জনুৱারিগী তাং ১৫ দগী টিম ৯ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ২০১৩–১৪গী চেম্পিয়ন সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা নাপসা খা ইম্ফালবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীরগা ওইখ্রে।

মেন ওফ দি সেরিজনা নাপসাগী টি ভোগেন সিংহনা, মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচকী মনানা সাইক্লোনগী অরুননা ৱিকেট ৪ লৌরগা তাখ্রে। খ্বাইদগী অহল ওইরবা শান্নরোইগী মনানা ইম্ফাল ৱেষ্ট ভেটরান ক্রিকেট ক্লব শগোলবন্দগী টি ব্রজবিধু সিংহনা তাখি।



চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সাইক্লোনগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নাপসা খা ইম্ফালনা তোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩১.২ দা ওল আউট ওইরগা রন ৯৪ লৌখি। ইনিংস অদুদা গৌতম্না বোল ৪১ দা রন ২১, রোনিকুমারনা বোল ৩৮ দা রন ১৭, কেসোর্জিৎনা বোল ৩৮ দা রন ১১ অমদি ভোগেন্দ্রোনা বোল ২৫ দা রন ৯ লৌখি। সাইক্লোনগী বোল্লর অরুননা ৱিকেট ৪, বিনোয়না ৩ অমদি রোবিন্দ্রোনা ১ লৌখি।

সাইক্লোননা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা টার্গেট রন ৯৫ অদু য়াম্না লায়না ওভর ১৬.৪ দা ৱিকেট ৪ খক তুরগা লৌদুনা ৱিকেট ৬ তা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ইনিংস অদুদা থোইথোইনা বোল ৪৩ দা রন ৩৩, ইঙেনজাওনা বোল ২১ দা রন ১৯, সুনিলনা বোল ১৭ তা রন ১২ অমদি বোবিনা বোল ৬ তা রন ৮ লৌখি। নাপসাগী বোল্লর পুথিবনা ৱিকেট ২, রোনিকুমার অমদি রতনকুমারনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱিন্নর অমদি রন্নর ওইখ্রবা সাইক্লোন অমদি নাপসাগী টিমনা রোল্লিং ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ১০ অমসুং ৭ কী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী এদভাইজর আর কে বিদুর সিংহ, এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট টি সুবোল সিংহ, নাওরেম লৈকাই জিলা পরিষদকী মেম্বর এস রোলেন্দ মৈতে অমদি হোর্টিকলচর অমদি সোইল কঞ্জার্বেসনগী এদিস্নেল দিরেক্টর সি ঐচ চাওবা সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

# সাইক্লোনগী বাইকিং অমদি ইবোয়াইমগী পার্টনরসিপনা থাউ মায়থীবা পীখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ মোদেল ক্লব চীঙামখাগী বেটচমেন বাইকিং অমদি ইবোয়াইমগী সেঞ্চুরিগী পাটনরসিপনা থাউ থাংমৈবন্দ রন ৮৪ দা মায়থীবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে। লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অহানবা প্লেট গ্রুপ টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মোদেল ক্লবনা টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখি।

ইনিংস অদুদা ওভর ৩৫ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৮৫ লৌখি। বেটচমেন বাইকিংনা বোল ৪৬ তা রন ৪৮, ইবোয়াইমনা বোল ৩৪ দা রন ৩৯ অমদি নোংদ্রেননা বোল ৩৫ দা রন ২৫ লৌখি। থাউগী বোল্লর কৃষ্ণনা ৱিকেট ২, সুনিল অমদি সঞ্জিৎনা ৱিকেট অমমম লৌখি। থাউনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩২.৪ দা শুপ্নতগী রন ১০১ খক লৌখি। ইনিংস অদুদা সুনিলনা বোল ৪৬ তা রন ৩৬, জেলসননা বোল ৪৭ তা রন ২৫ অমদি অমর্জিৎনা বোল ২৬ তা রন ১০ লৌখি। মোদেল ক্লবকী বোল্লর লেনিননা হেত্রিক ফংবগা লোয়ননা ইবোয়াইমসু ৱিকেট ৩ লৌখি।

মেন ওফ দি মেটচনা মোদেলগী ইবোয়াইমনা রন ৩৯ অমদি হেত্রিক লৌদুনা তাখি।

হয়েং ৱাই দব্লিউ সি পাংশোয়গা ক্রাউ খম্নাম লৈরক্কা শান্নগনি।

## জিরিদা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৪ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী সিঙ্গলস অমসুং দবলস, মেন্স ওপনগী সিঙ্গলস অমসুং দবলস, চহী ৫০ মথক ভেটরানগী সিঙ্গলস অমদি দবলসকী ইভেন্টশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি।

চহী ১৪ মখাগী সিঙ্গলসকী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী এন্ট্রি ফিনা লুপা ২০০, দবলসকীনা লুপা ২৫০, মেন্স ওপন সিঙ্গলসকীনা লুপা ৩০০, দবলসকীনা লুপা ৪০০ ওইগনি। ভেটরানগী ওইনদি মেন্স ওপনগী এন্ট্রি ফিগা চপ মান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ওল জিরবাম এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েট তৌবা ক্লবশিং, কাছার দিষ্ট্রিক্ট আসামগী মনুংদা লৈবা ক্লব অমদি জিরিবামদা লৈবা ওফিস, আর্মি য়ুনিট অমদি সার্ভিস তৌবা পুম্নমক্না শরুক য়াবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ১৫ ফাওবনি।

# জে এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ জুবেনাইল এসোসিয়েসন (জে এ) ককচিং মখা লৈকাইনা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা জে এ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী গ্রুপ লীগকী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী অরোইবা লীগ মেটচতা এস দব্লিউ এস সি ককচিং ময়াই লৈকাইনা সেসু ককচিংবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

এস দব্লিউ এস সিগী মায় পাকপগী গোল ২মক অদু মেসেঞ্জরনা ২৮ অমসুং ৫৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। সেসুগী অমত্তা ঙাইরগা গোল অদুনা রাজনা এদিস্নেল টাইমগী অনীশুবা মিনিটতা (৬২) দা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী অরোইবা লীগ মেটচতা আই ৱাই এ ৱাইরিনা কে পি এস সি ককচিং খুনয়াইবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

আই ৱাই এগী গোল অনী অদু নাওবী অমদি হেনবনা ৩ অমসুং ৩০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টিম অসিগী রোমেসতা রেফরিনা এদিস্নেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৭২) দা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবগা লোয়ননা কে পি এস সিগী নাওচা, অভিনাস, রাহুল অমদি রাজতসু রেফরিনা মথংশিংনা ৫৬, ৬৯, ৭০ অমদি এদিস্নেল টাইমগী অহানবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এফ এস সিগা টি য়ু সিগা নুংথিলগী পুং ১২.৩০ দা অমদি অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা আই ৱাই এগা জে এগা পুং ২.৩০ দা শান্নগনি।






# অহানবা ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

VOLLEYBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা লৈমপোকপম লমজিং মৈরা ক্লবনা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ২২না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা অহানবা ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা কে ৱাই দি সি কাচিখুল, কে ঐচ এল ৱাই এ নম্বোল, এন ৱাই দি সি খাইদেম, এস ৱাই এস সি সঙাইথেল অমদি কে ৱাই ভি এ খোইজুমান মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী লীগ মেটচশিংদা কে ৱাই দি সি কাচিখুলনা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম্বু সেট ৩–০ (২৫–১৬, ২৫–২০, ২৫–২২)দা, কে ঐচ এল ৱাই এ নম্বোলনা ক্লাসা কৈনৌবু সেট ৩–১ (২৫–১৮, ২০–২৫, ২৫–২০, ২৫–২২)দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ (বি)গী শান্নখিবা মেটচশিংদনা এন ৱাই দি সি খাইদেম্না আর ৱাই সি মোইদাংপোকপু সেট ৩–০ (২৫–১৮, ৩০–২৮, ২৫–২০) দা, এস ৱাই এস সি সঙাইথেলনা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম্বু সেট ৩–২ (২৩–২৫, ২৫–২৩, ২৫–২২, ১৮–২৫, ১৫–১১)দা মায়থীবা পীখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা কে ৱাই ভি এ খোইজুমাননা উপোকপীবু সেট ৩–০ (২৫–১৪, ২৫–১৬, ২৫–২০)দা মায়থীবা পীখি।

## সুপর ভেটরান মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ সুপর ভেটরান মণিপুরনা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র অমদি ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ভেটরানগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

উচিৱা ৱাংমা পোপুলর ৱেলফিয়ার ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ভেটরানগী ফাইনেলদা সুপর ভেটরান মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন থৌবালবু সেট ৩–০ (২৫–১৮, ২৫–১০, ২৫–১৫)দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি। বেষ্ট প্লেয়রনা সুপর ভেটরান মণিপুরগী এল বালেশ্বরনা তাখি।

## মণিপুরনা গোল্ড য়াওনা মেদল ৩ ফংখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ হিমাচল প্রদেশতা থা অসিগী ৯ দগী হৌদুনা চত্থরিবা সেনিয়র নেস্নেল জুদো চেম্পিয়নসিপ ২০১৩–১৪ দা মণিপুরনা ঙসি গোল্ড ১, সিলভর ২ ফংবা ঙমখ্রে। মণিপুরগী গোল্ড অদু নুপীগী কে জি ৭০ গীদা ঐচ সুনিবালানা লৌখিবনি। সিলভর মেদল অনী অদুনা ও রাসেশ্বরিনা কে জি ৫২ গীদা অমদি কে ঐচ রাসি দেবীনা কে জি ৭৮ গীদা লৌখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েং লোয়শিল্লগনি।

## ৱাই এস এস য়ু ছেপাকতাক্রৌ হৌরগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ ওল মণিপুর ছেপাকতাক্রৌ এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা য়ঙ সোসিয়েল সার্ভিস য়ুনিয়ন শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকাইনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী ১৬ ফাওবা য়ুনিয়ন অসিগী গ্রাউন্দদা অহানবা ৱাই এস এস য়ু ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ট্রেফি কেস প্রাইজ ছেপাকতাক্রৌ চেমিপয়নসিপ ২০১৪ পাঙথোক্লগনি। হৌদোকপগী থৌরম তাং ১৩ গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি।

## একাদমিদা চঙনবা প্রি সেলেক্সন পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ সেল ফুটবোল একাদেমি, বোকারো ঝারখন্দদা চঙনবগী প্রি সেলেক্সন টেষ্ট অমা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ তা খাবৈসোইদা লৈবা ৱাই ও সি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ফুটবোল্লরশিংনা কোটচ মনিরতনদা অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা রিপোর্ট তৌরবা য়াগনি হায়রি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*